# চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মেক্সিকো অমসুং নেদর্লেন্দস সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি

কারিয়াসিকা, নবেম্বর ১১(এজেন্সী): ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী তোঙান-তোঙানবা সিটি ৩দা লৈবা ফুটবোল ষ্টেদিয়ম ৪দা মালেমগী ফুটবোল শান্নবা লৈবাক ২৪না শরুক য়াদুনা মমাঙ থাগী ২৬তগী হৌরকখিবা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী সেমি ফাইনেলদা মেক্সিকো অমসুং নেদর্লেন্দস লম্বা তৌনরগনি।

চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইরগা মমাঙ থাগী ২৬তগী পাঙথোরকপা অসি ১৮ রক শুবা এদিসননি। মমাঙ চহীদা ইংলেন্দগী টিমনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি। চহী অসিদা পুন্না লৈবাক ২৪গী ফুটবোল টিমশিংনা শরুক য়াদুনা লম্বা তৌনরকপদা মেক্সিকো অমসুং নেদলের্ন্দসনা ঙরাং মখোয় মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল লম্বাশিং অদুবু মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেলদা থেংনগদৌরিবনি।

ঙরাং ৱর্ল্ড কপ অসিগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা নেদর্লেন্দ অমসুং পরাগ্বে লম্বা তৌনখি। কারিয়াসিকা সিটিগী ক্লেবর অন্দ্রাদি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুগী পুংখাই চঙশিল্লকপদা নেদর্লেন্দসকী হোভরনা অহনাবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ৫ ৱাংলিঙৈদা নেদর্লেন্দসকী অতোপ্পা শান্নরোয় হান্সেননা পাঞ্জল অমগা চল্লগা ২-০দা মাংজিল থাদুনা লৈরিঙৈ পরাগ্বেগী মায়কৈদগী দি দ্বার্টেনা অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টামদা পাঞ্জল অমা চল্লগা মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা নেদর্লেন্দসনা পরাগ্বেবু পাঞ্জল ২-১দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা নেদর্লেন্দসনা পরাগ্বেবু পাঞ্জল ২-১দা অহানবা হাফতা মাংজিল থাবা ঙমখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফকী পুংখাই অমরোমগী শান্নবা অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসর থেংনদুনা মখা তাবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে।

শান্নবগী ৭৮ শুবা মিনটতা নেদর্লেন্দসকী মায়কৈদগী অহেনবা এটেক চথ্বরকখিবা অদুগী বোল অমদা ব্রাফনা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা হান্না মাংজিল থাখিবা পাঞ্জল ২-১গী মথক্তা ৩-১ ওইহনখি। পরাগ্বেগী টিমগী মায়কৈদগী অরৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা শান্নরকপদা মখোয়না শোথরিবা পাঞ্জল ২ হন্দোক্লবা হোৎনখিবা পুম্ন মক মায় পাকপা ঙমদনা লৈরিঙৈদা শান্নবগী ৮৬ শুবা মিনটতা নেদর্লেন্দসকী উনুবরনা টিম অদুগী পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা পরাগ্বেবু ৪-১দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

ঙরাং অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা সাউথ কোরিয়াগী মিট অমসুং মেক্সিকো লম্বা তৌনখি। মদুদা মেক্সিকোনা পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি। ব্রাজিলগী কারিয়াসিকা সিটিদা লৈবা ক্লেবর অন্দ্রাদে ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা সাউথ কোরিয়া অমসুং মেক্সিকো লম্বা তৌনখিবনি।





মেচ অদুগী অহানবা হাফ অদুদা টিম অনীমক্কী নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিং অসিনা য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখিবদগী মখোয়না পুশিল্লকখিবা বোলশিং অদু মায়োক্ন বা টিমগী গোল পোষ্ট য়ৌরবসু পাঞ্জল ওস্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদসু মেক্সিকো অমসুং সাউথ কোরিয়াগী টিম অনীগী শান্নরোয়শিং অহানবা হাফতা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদ্রবসু অহেনবা শাফু পীদুনা পাঞ্জল চনবা ঙম্নবা হোৎনরকখি। মেচকী ৭৭ শুবা মিনটতা মেক্সিকোগী মায়কৈদগী অভিলানা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা সাউথ কোরিয়াবু মেক্সিকোনা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থাদুনা লৈবা ঙমখি।

সাউথ কোরিয়াগী মায়কৈদগী মেক্সিকোনা পাঞ্জল চনশিল্লকখিবা অদু হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না তাঙ্কক কয়াদা মেক্সিকোগী পেনাল্টি এরিয়া ফাউবা বোল পুশিনবা ঙমখি। অদুবু মেক্সিকোগী দিফেন্দরশিংগী অদুগী হৈথোই শীংথোইবা অদুনা পাঞ্জল চলহনখিদবদগী মেচ অদুগী অপীবা মতম মিনট ৯০ লোইশিনখিবা ফাওবদা মেচকী ৭৭ শুবা মিনটতা মেক্সিকোগী অভিলানা চনখিবা পাঞ্জল অদু সাউথ কোরিয়ানা হন্দাকপা ঙমখিদবদগী মেক্সিকো সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

ঙসি অথেংবদা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অনীদা ফ্রান্স অমসুং স্পেন লম্বা তৌনগনি অদুগা য়ুম্বু ব্রাজিল অমসুং ইটালি ক্বার্টর ফাইনেল থেংনগদৌরি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৬

১) কুমজা ১৯৭৪ দা ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা খ্বাইদগী চাওবা শান্নবগী থৌরম অদু করিনো?

২) জেসি ওৱেন (অমেরিকা) অমসুং লোঙ লটজ (জর্মনি) মরুপনি। লোঙ লটজ অনিশুবা লাঞ্জাওদা শরুক য়াখিবদা অফ্রিকাগী মফম অমদা লৈখিদে। মখোয় অনী অরোইবা ওইনা করম্বা মফমদা উনখি।

৩) অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবদা মণিপুরগী টিমসু শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অদু করম্বা মফমদা পাঙথোকখি?

৪) ঐনা মহাকপু ওলিম্পিক্কী লমজেন্দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা তাখি। অদুবু মহাক লৈবাক অমগী গভর্ণর জেনরেল ওইখি। মহাক ইংলেন্দগী নিংথৌরেল অমদি মহাক্কী ইমুং-মনুংগী দাক্তর চহী ৩০ হেন্না ওইরম্মী। মহাক কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## ইন্দিয়াগী সৌরব চৌধরিনা এসিয়ন শুটিং চেম্পিয়নশিপ্তা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রে

দোহা, নবেম্বর ১০(এজেন্সী): কটারগী কোনুং দোহাদা পাঙথোক্লিবা ১৪ শুবা এসিয়ন শুটিং চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী শুটর সৌরব চৌধরিনা নুপাগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ১৭তা শুবদা ঙাইরিবা সৌরব চৌধরিনা এসিয়ন শুটিং চেম্পিয়নশিপ অদুগী নুপাগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টকী ফাইনেল রাউন্দদা পোইন্ট ২৪৪.৫ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা



সিলভর মেদল ফংখি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেদল অদুদা নোর্থ কোরিয়াগী শুটর কিম সোং গুকনা পোইন্ট ২৪৬.৫ ফংলগা অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ অমসুং থম্বা ঙমখি। ইভেন্ট অদুগী ব্রোঞ্জ মেদল অদু ইরানগী ফোরোগি জাবেদনা পোইন্ট ২২১.৮দা লৌখি।

দোহাগী লুসেল শুটিং কমপ্লেক্সতা চথরিবা ১৪ শুবা এসিয়ন শুটিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা নুপাগী মিটর ১০গী কম্পিটিসন অদুদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শুটর অবিসেক বর্ম্মসু শরুক য়াখিবনি। মহাক ফাইনেল রাউন্দদা ৬ শুবা পোজিসনদা ক্বালিফাই ওইখ্রবসু মেদল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদবনি।

## লিভরপুলনা মেনচেষ্টর সিটিবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইদুনা লীগ টেবলগী মকোক থোংবা ঙন্লি



লন্দন, নবেম্বর ১১(এজেন্সী): ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী টাইটল কয়ারক লৌবা ঙমখ্রবা অমদি য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন লীগকী টাইটল কয়াসু ফংবা ঙমখ্রবা লিভরপুল ফুটবোল ক্লবনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেচতা মেনচেষ্টর সিটিবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইদুনা লীগ অসিগী ১২শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা ক্লব ২০না লম্বা তৌরিবা লীগ অসিগী মকোক থোংবা ঙন্লি।

ঙরাং লিভরপুলনা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দদা মেনচেষ্টর সিটিগা শান্নখিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ১২ শুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা হৌবদগী খুদুম চনবা ঙমদুনা অহানবা হাফতা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি।

শান্নবগী হৌরকপগী ইকুই কুইদ্রিঙৈ ৬শুবা মিনটতা লিভরপুলগী মায়কৈদগী ফাবিনোনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মদুগী মতুং মেচকী ১৩ শুবা মিনটতা লিভরপুলগী শান্নরোয় এন্দি রোবার্টসননা পীরকপা বোল অমদা টিম অদুগী ষ্টার প্লেয়র ওইরিবা ইজিপ মচা মুহমদ সলানা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা অহানবা হাফ অদু ২-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

মেনচেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী অহানবা হাফ অদুদা শোথখিবা পাঞ্জল অনী অদু হন্দোকপা ঙমদনা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপদসু মেনচেষ্টর সিটিগী মায়কৈদা লিভরপুলনা অহেনবা এটেক কয়া চথরকখি। মেচকী ৫১ শুবা মিনটতা টিম অদুগী জে ার্দান হেন্দরসননা পীরকপা পাস অমদা সাদিও মানেনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা মেনচেষ্টর সিটিবু লিভরপুলনা ৩-০দা হেন্দুনা লৈখি।

মেচকী মখা চথরকপদা পাঞ্জল ৩ শোথরবা মেনচেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী অরৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা শান্নরকখিবদা মেচকী ৭৮ শুবা মিনটতা টিম অদুগী মায়কৈদগী বেমার্দো সিলভানা পাঞ্জল ১ চল্লগা মেচ অদু মখোয় ১-৩দা মায়থীখি।

## ইন্দিয়াগী সুন্দরনা গোল্ড ফংদুনা টৌকিও পেরালেম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইখ্রে

দুবাই, নবেম্বর ১১(এজেন্সী): য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেদকী কোনুং দুবাইদা পাঙথোক্লিবা ৱর্ল্ড পেরা এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী এথলেট সুন্দর সিংহ গুজরনা জেবলিন থ্রো ইভেন্টতা গোল্ড মেদল ফংদুনা কুমজা ২০২০ টৌকিও পেরালেম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

দুবাইগী চেম্পিয়নশিপ অদুদা ইন্দিয়াগী পেরাএথলেটিক্স সুন্দর সিংহ গুজরনা জেবলিন থ্রো ইভেন্ট অদুদা মিটর ৬১.২২ লংদুনা গোল্ড মেদল ফংখি। মহাক্না দুবাইগী ৱর্ল্ড পেরা এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ অদুদা গোল্ড মেদল ফংখিবা অদু কুমজা ২০১৭দা লন্দনদা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অদুগী টাইটল দিফেন্দ তৌবা ঙমখি।

মহাক্না ৱর্ল্ড পেরা এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ অনীদা গোল্ড মেদল অনী থংন-থংননা ইন্দিয়াগী পেরা এথলেটিক্স অমনা থংনবা ৱর্ল্ড পেরা এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ অনীদা মেদল লৌবা ঙম্বা ইন্দিয়াগী অনীশুবা পেরা এথলেটিক্স ওইরি।

ইন্দিয়াগী সুন্দর সিংহ গুজরনা দোহাদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড পেরা এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ অদুদা গোল্ড মেদল ফংখ্রবা মতুং ইভেন্ট



অদুগী সিলভর মেদলনা শ্রি লঙ্কাগী দিনেস হেরাথনা মিটর ৬০.৫৯ লংলগা লৌখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেদল অদুদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা পেরা এথলেট অজিৎ সিংহনা মিটর ৫৯.৪৬ লংলগা লৌখি।

সুন্দর সিংহ গুজরনা ঙসি দোহাগী ৱর্ল্ড পেরা এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ অদুগী জেবলিন থ্রোদা গোল্ড মেদল ফংখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অহুমশুবা ওলিম্পিক্কী কোটা ফংখিবনি। মমাঙদা ইন্দিয়াগী সন্দিপ চৌধুরি অমসুং সুমিত অনতিলনা মাংজেৌনিনা কোটা অনী ফংখ্রবনি।

## স্বিজর্লেন্দগী ফেদরর ওষ্ট্রিয়াগী থিয়েমনা থোইখ্রে, গ্রিসকী ষ্টিফানোস মায়পাকখ্রে



লন্দন, নবেম্বর ১১(এজেন্সী): লন্দনগী ও টু এরেনাদা শান্নরিবা ৫০ রকশুবা সিঙ্গলসকী অমসুং ৪৫রক শুবা দবলসকী এ টি পি টুর ফাইনেলসকী নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা মমিং লৈরবা মতম শাংনা ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরম্লবা স্বিজর্লেন্দগী রোজর ফেদরর ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা সিঙ্গলস মেচ অমদা গ্রিসকী ষ্টিফানোস সিসিপাসনা রসিয়াগী দানিল মেদবেদেবপু থোইবা ঙমখ্রে।

চহী অমগী লোইশিল্লকপদা মালেমগী নুপাগী টেন্নিস শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াবা এ টি পি টুরগী তোঙান-তোঙানবা টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়ারুরবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা মকোক থোংবা শান্নরোয় ৮ খনগৎলগা এ টি পি ফাইনেলসতা লম্বা তৌনরকপগী মনুং চন্না লন্দনগী ও টু এরেনাদা পাঙথোক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিদা স্বিজর্লেন্দ রোজর ফেদররবু ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা বিয়োন বোর্গ গ্রুপকী রাউন্দ রোবিনকী অহানবা মেচ অমদা অকনবা লম্বা থেংনদুনা শান্নরকপদা ৭-৫, ৭-৫তা থোইদুনা কম্পিটিসন অদুগী য়াম্না চাওনা মায় পাকপা ঙম্বা অমা ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা এন্দ্রি অগাসি গ্রুপকী রাউন্দ রোবিন মেচ অমদা গ্রিসকী ষ্টিফানোস সিসিপাস অমসুং রসিয়াগী দানিল মেদবেদেবনা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা হৌবদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা মেচ অদু মায় পাক্নবা শান্নরোয় অনীমক হোৎনরকখি।

অহানবা সেট অদু টাই ব্রেক্তা য়ৌরক্তুনা সিসিপাসনা পোইন্ট ৭-৫তা থোইরগা সেট অমা মাংজিল থাখি। অনীশুবা সেটতা লম্বা মান্নরবসু সিসিপাসনা মেদবেদেবকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪দা থোইখি।

দবসলকী কাংলুপ্তা জর্মনিগী কেবিন ক্রাৱিটস অমসুং এন্দ্রিয়া মাইলসকী জুরানা নেদর্লেন্দসকী জেজে রোজর্স অমসুং রোমানিয়াগী ঐচ তেকাউবু সেট ২-১দা থোইখি। অদুগা অতোপ্পা গ্রুপকী দবলসকী রাউন্দ রোবিন মেচ অমদা ক্রোসিয়াগী ইভান দোগিক অমসুং স্লোভাকিয়াগী ফিলিপ পোলাসেকপু পোলেন্দগী লুকাস কুবোত অমসুং ব্রাজিলগী মার্সেলো মেলোনা অহানবা রাউন্দ অদুদা ৪-৬, ৬-৪, ১০-৫তা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

## চহী ১৭ মখাগী ইন্দিয়াগী ৱিমেন্স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ্তা লাইওনেসনা পেথর্সপু থোইখ্রে

কল্যানি, নবেম্বর ১১(এজেন্সী): ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কল্যানি সিটিদা পাঙথোকপা ইন্দিয়াগী চহী ১৭ মখাগী নুপী ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা টিম লাইওনেসনা পেনথর্সপু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি কুমজা ২০২০দা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা নুপীগী চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ পাঙথোক্কদৌরিবা অদুগী শেম শাবা ওইনা ইন্দিয়াগী টিম শেম্নবগীদমক ফুটবোল স্পোর্টস দিভলপমেন্ট লিমিটেদ অমদি রিলাইয়েন্স ফাউন্দেসনা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ৪না রাউন্দ রোবিন ফোর্মেটতা শরুক য়ারি। পুন্না টুর্নামেন্ট অসিদা চহী ১৭ মখাগী শান্নরোয় ৭৩না শরুক য়াদুনা ইন্দিয়াগী টিম শেম্নবা হোৎনরিবনি।

ঙসি কল্যানিদা শান্নখিবা অহানবা মেচতা লাইওনেস টিম অমসুং পেনথর্স টিমগা অহানবা মেচ লম্বা তৌনখিবা অদুদা লাইওন্সেকী মায়কৈদা মণিপুরদগী হৌখিবী শান্নরোয় ৬ য়াওখি। মখোয়শিং অদুদি দিফেন্দরদা ফঞ্জৌবম নির্মালা অমসুং থৌনাওজম ক্রিতিনা, মিদফিল্ডদা নাওরেম প্রিয়াঙ্কা অমসুং লিসম ববিনা লোয়ননা ফোৱার্দতা হেমাম সিলকি অমসুং লিনদা কোম সর্তোনি।

লাইওনেসকী টিম অদুনা পেনথর্সকা লম্বা তৌনখিবা অদুদা পেনথর্সকী মায়কৈদগী সুধা ত্রিরকেনা শোইবদগী চনশিনজখিবা পাঞ্জল অমদি ষ্টাইকর লিন্দা কোম সত্রো অমসুং প্রিয়াঙ্গানা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা পেনথর্সকী টিম অদুবু ৩-০দা থোইবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা অতোপ্পা টিম অনী অদুদি টাইগ্রেস অমসুং চিটাসকী টিমনি। টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নগদবা মেচতা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোলগী লমদা মমিং লৈরবী ওইনাম বেম্বেমনা লুচিংবা চিতাস টিমগা এলেক্স এমব্রোসনা লুচিংলিবা লাইওন্সে টিমগা লম্বা তৌনগদৌরি।

**/URGENT REQUIRED FOR REPUTED HOSPITAL IN IMPHAL & WEST BENGAL WITH FREE ACCOMMODATION**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1. GNM | 8 | Experience or Fresher | 13000/- |
| 2. BSc Nursing | 8 | -do- | 16000/- |
| 3. H.R. Manager | 2 | Experience 2 yrs | 20,000/- |

**REQUIRED POST**

| Sl. | Name of Post | Vacancy | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | B.D.M. | 2 nos. | Graduate/with Marketing Knowledge | Rs. 8,000/- |
| 2. | Marketing Executive | 12 | X Pass | Rs. 6,000/- |
| 3. | Field Worker | 5 nos. | VIII Pass | Rs. 6,000/- |
| 4. | Financial Advisor & Consultant | 20 | XII | Negotiable |
| 5. | Driver | 4 | X Pass | Rs. 6,000/- |
| 6. | Security Guard | | X Pass | Rs. 6,000/- |

Last date of Form Submission : 21-11-2019
Interview on : 22-11-2019
*For more details :-* 9383093678, 8794829055
Office Timing : 9:30 am - 4:00 pm.

**LIFE CARE JOB CONSULTANCY**
Sagolband Salam Leikai, Imphal- 795001
Regd. No. 14/006/04/70/MICRO PART-1
HL-P/3935/8,10,12,14,16,18,20

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG**

**Ref :- Mut. Case No.1021/SDC/M dt. 11/11/2019**

1. Md. Basir Ahmad S/o (Late) Md. Basiruddin of Kwakta W/No. 7
2. Ruksana Begum D/o Md. Basir Ahamad of -do-
3. Md. Safauddin S/o (Late) Md. Jumeruddin of Kwakta W/No. 6 (0.10 acres)

-Vs-

(Late) Baserudin Miya S/o (Late) Toyai Miya of Kwakta Khunou Thingel Mapal.

/ **NOTICE**

Moirang, the 11th Nov. 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৯১- ক্বাক্তাদা লৈবা পাট্টা নং ৬২৩ অনৌবা, সী এস দাগকী নং ৫৫৩০, এরিয়া ০.৩১ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মৃ: ওইখ্রবা পাট্টাদারগী ইমুং-মনুং মচাশিংনা লম অসিগী মীং ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা আপত্তি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপত্তি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

HL-P/5270/12 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Moirang

**IN THE COURT OF ASSTT. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR**

**Ref :- Mutation Case No. 660/AS&SO/TBL, dt: 02-11-2019**

Akoijam (O) Okram Premila Devi, W/o (L) Akoijam Manglem Singh of Kiyam Siphai, Babu Bazar
*...Applicant.*

-Vs-

(Late) Akoijam Kamini Singh, S/o (L) Ak. Ningthourel Singh of Kiyam Sihpai
*...Opp.*

/ **NOTICE**

11-11-2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি লিলোং তহশিল খুল নং ২২-কিয়াম সিফাইগী মনুংদা লৈবা পাট্টা নং ৪০৯ (অরিবা)/৩৯ (অনৌবা) দাগ নং ৪১৫২ এরিয়া .৪৬৫০ হেক্তর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মাগী মমৌনুপীগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কদবনি নত্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থজগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

*Sd/-* **M. Ningthembi Singh**
Asstt. Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/5274/12

Fax : 0385-2414625
Phone : 0385- 2414539, 0385-2414629
e-mail : rims@rims.edu.in
website : www.rims.edu.in

**REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES**
(An autonomous Institute under Ministry of Health & Family Welfare, Government of India)
LAMPHELPAT, IMPHAL - 795004 : MANIPUR

**NOTICE**

Imphal, the 11th Nov., 2019

No. 3122/2017-RIMS3956 : In view of the National Pedodontic Day 2019, the Department of Paediatric and Preventive Dentistry of Dental College, RIMS, Imphal will provide free treatment to the patients attending on 14th November, 2019.

This issues with the approval of the competent authority.

Sd/- K. Doungel
Deputy Director (Admn.),
Regional Institute of Medical Sciences,
Imphal

HL-B/5798/12

**CAS COACHING CENTRE**
An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

**ADMISSION OPEN**

**REVISION COURSE**

**CLASS XII & X**

**(2019 - 2020)**

Classes Commencing from 21st Nov. 2019

Seats are Limited First Come First Served

**SPECIAL FEATURES:**
1. Chapterwise/Unitwise Authentic Study Materials.
2. Exam. Oreinted Test Series for Final Examination.
3. Probable Questions and Answers for 2020 Exam.
4. Special Fee Concession for CASIANS.
5. Vision for Toppers for 2020 Final Exam.

COHSEM
CBSE
BOSEM

Facility of:- # Morning Batch # Evening Batch

For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal

HL-P/57114/10,11,12,13,14